ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৭৮শুবা মশীং

## রিক্রুটমেন্টশিংগী রিজল্ট

### ষঞ্জেননহা পাম্মুই, কৈনা চাহন্নীংদে

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১৭, ২০২২দগী হৌরগা ওক্টোবর ২, ২০২২ ফাওবা নুমিৎ ১৬নি চূপ্পা চথগদবা 'সেবা পখৱাড়া' গী মখাদা মখল কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোরক্লি। থৌরমসি মণিপুর খক্তগী নত্তে। বি জে পি খক্তনা লৈঙাক পায়বা মফমশিং, পার্টিসিনা লুচিংবা অমসুং চুংশিন্নবা লৈঙাকশিংনা হেন্না শাফু কন্না পাঙথোকই হায়বগী ৱানি। লৈবাক শিনবা থুংনা থৌরমশিং পাঙথোরক্লি। মণিপুরদসু থম্বাল শঙলেন্দা থৌরমসি হৌদোকখিবদগী তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোরক্লি। লেপ্পখিবা অমসুং লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মথং থাগী ২ (ওক্টোবর ২, ২০২২) মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎ 'নেসনল ক্লিনলিনেস দে' ফাওবদা মখা তানা চথখিগদৌরিবনি। অদুগা মণিপুরদসু চথরক্লিবা 'সেবা পখৱাড়া' গী থৌরমসিগী মনুং চন্না সেপ্টেম্বর ২১, ২০২২দা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মরমদা ইবা লাইরিক 'মোদি@২০' : দ্রিমস, মীট, দেলিভরি'গী মতাংদা ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমসিদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা লাইরিকসিগী মতাংদা লৈবাকসিগী তোঙান-তোঙানবা লমদা শক্লাইরবা মীওইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরবু শীংথানরকপা/থাগৎনরকপা, মহাক কনানো হায়বা য়াওনা মহাক্কী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নৈনরকপা ৱাফমশিং মরীক চুম্না ফোঙদোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং লাইরিকসিদা য়ূম্ফম ওইবা অচুম্বা/অশেংবা ৱাফম ঙাক্তনি। য়াম্না ফৈ, তৌগদবনি। ফরগা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বা ঙম্বসি মীওইবগী অতাঙবা মতিক ময়াইশিংগী মনুং চল্লিবনি। তৌফম থোকপা থবকশিংনি।

অদুবু মণিপুরগী কন্টেক্সতা সেবা পখৱাড়াগী বেন্নর মখাদা পাঙথোরক্লিবা থৌরমশিংগী মনুংদা নুমিৎসিগী সিটি কনভেন্সনগী থৌরমসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না হেন্না কন্সর্ন ওইখিবদি মণিপুর লৈঙাক্না পাঙথোকখিবা য়ান্নবা লোয়শঙ খরগী রিক্রুটমেন্ট রেল্লি/ইন্টরভিয়ু/দি পি সীনচিংবগী রিজল্টশিং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা মথং-মথং লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমদুনি। পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্টশিং অদুগী মনুংদগী শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিং, মখোয়গী গার্দিয়নশিং খক্তা নত্তনা মীয়াম্না নোঙ্গৌবিনা ঈশিং ঙাইবগুম ঙাইরকখিবা ময়ামদগী খরা কনশিনবা রিজল্ট অমখক হায়বা তারগনা ১০ অমসুং ১১শুবা আই আর বিগী পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্টদুগী রিজল্ট হায়দোকপনি। হায়রিবা রিজল্টসি মমাঙথক্তসু চীফ মিনিষ্টরনা থেঙ্খাং ৩/৪দা লাউথোক্লগনি হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। হৌখিবা জুন থা মনুংদা শোয়দনা হায়দোক্লগনি হায়খিবনি। হন্দক ফমখিবা নোংজু মীফম মনুংদা ফাওবা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা মীফম অদু হেক লোইবগা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু হিংচাবীগী শরি ওইরকখিবদগী চীফ মিনিষ্টরগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা লৈখ্রে। ৱাকৎ মীফমশিং ফমখ্রে। মণিপুর বন্দ/জেনরেল ষ্ট্রাইক য়াওনা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং ফাওবা চথখ্রে। অদুবু হায়দোক্তনা লাক্লিবসি য়াওনা অয়াম্বা লোয়শঙদা চথখিবা রিক্রুটমেন্টশিংগী রিজল্টশিং লাউথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা অমুক্কসু মীয়ামদা ফোঙদোরক্লিবা অসিদি হন্দক্তি খোঙলৌ-পলহৌদনা অমসুং তেক্তা কায়দনা হায়দোকপা/লাউথোকপা ঙম্বা ওইরসনু। সঞ্জেনথোংগী থোংয়াইদা শামু তোংদুনা লানঙম ফিরাল থেৎতুনা লাকপা ঙম্বা ওইরসনু। অদুবু হন্দক্কী ৱাফমসিগী মতুংদা অমুক্কসু ষঞ্জেননহা কৈনা চাবগী ফীভমদা তারকহনবদি মণিপুর মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা, মীয়াম্বু শেন্নরক্লিবা ষঞ্জেননহাসি নোংম-নোংমগী মীয়াম্না পাম্নরক্লি, য়ানীংলক্লি, মীয়ামগী থবকশিংসু ময়াম তৌবদগী 'পীলস সী এম' ফাওবা হায়নরিবনা মচিন থীবা ষঞ্জেননহা কৈনা চাখিবগী থৌদোক্তুদি তাহন্নীংদে, পাম্মুই হায়বগী ৱানি। অদুগা অশোয়বা-অরানবা য়াওদনবা য়েংশিনবদা মতম চঙবনি হায়বদুসু কুইমনখ্রে। চহী য়াম্না চঙমনখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক্কী অশেংবা পুন্সি ৱারী ইরবা ফাওবদা হেন্দোক্না লোইশিনবা য়াবা মতম হেন্দোকখ্রে হায়বনি। ষঞ্জেননহা পাম্মুই, কৈনা চাহন্নিংদেকো।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) **''মণিপুর গৌর লীলা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৩) **''মনোরমা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৪) **''অপীকপা নুংশা শ্বর''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?
৫) **''ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু''** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লিভরগীদি খঙজদ্রে

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

নিপামচাগী কাঙথোল অদু শীংজং মমি মশীং খঙদনা তারে। য়েংবদা ফমুংদু ফমুংবু মান্দ্রে। নিপামচানা ফমুং অসিদা নিপামচা থোক্তুনা শীংজংনা য়াল্লিবসি অমুক অনীরক্কী ৱাফমদি নৎত্রে। ফমুং অসিনা ঈ থোক্তুনা চৈনা কয়া কয়া খাংলক্লি। ফমুং অসিদবু শীংজংনা ঔরাইরমদ্রবদি মাগী নুপী রাশিতোন্বী নহান্না শোরাৎ কুনগী মথক্তা শোল্লনি।



নিপামচাখোইগী য়ূমগী থোঙ থোঙনাও অমত্তা থাঙজৌনা য়ানখিবগী মমি তাদবা লৈতে। মখোয়গী য়ূমগী থোঙ থোঙনাওশিং অসি মতম অমদা য়াম্না ফজনা মীনা হায়নরম্মীবনি। লৈকায়না থোঙ অসি চনবা উশ্শুবা নুপাদু কনানো খুৎচন লাকচন য়াম্না নাল্লি, ফজৈ, দিজাইন মওং তাই হায়দুনা থিরগা থোঙ থোঙনাও কয়া চলহন্নখ্রবনি অদুবু ঙসিদি নাকল অমদনা থাঙজৌনা য়ান্দুনা দাগফম কয়া লৈরে অদুগা নাকল অমদনা মচেৎ মচেৎ ফকতোক্লে। থোঙখোঙ হেক কানশিনফম অদুনা হৌজিক্তি পুরা য়াওবু য়াওদ্রে। থোঙপাক অদুনা নাকল অমদা খোঙপাক্লা কাউবগী চেপথরগা ঙাদুনা লৈরে। শেম্লু লাক্লুবা কান্নররোই হৌজিক্তি মদু হেক শেম্বা লোইবগা হোরেলদি হামু হামু অসুম তাদৌবা লৈরবনি।

কুকরসু খক্তা ওইরে প্রেসর য়াওদ্রে কাম্বা ঙমদ্রে। কোপ্তবা অমত্তবু লৈত্রে অনীমক। রাসিতোম্বীগী মবুংনা চাক্টৌবা মতমদা হরাও হরাওনা মচলগী দখিনা (পোত্তম) ওইনা নুংশিনা হাপ্পীরকপনি। অনীদু চহীবু ফাদ্রি ইমুংদা মরম ইচা চাদনা নিপামচানা কাওবোই হুনবোই ফুটবোল শান্নবদা শকফম কাইরে।

কোল্লিক্তা কোপ্পা নত্তে ইমুং মনুংগী অঙাং-নুবীশিংগী পূক্লিংগী ফিভমসু পুমকোপ কোপ্লে, ইমুংগী ঈজৎ সনমান লোইনা কাইরে, তোইরে, কোপলে। লাইরিক লাইশু তম্বা মফম মরাং খঙনদ্রে। অঙাংশিংনা লাইরিক পারিব্রা, করি চারি, করি থক্লি, করি শেৎলি পূম্নমক অমত্তা নেনা তাখিদ্রবনি। নিপামচানা মচা মশু য়েংশিনবদি লায়রদনা মশাফাওবা ফিরোল শেৎলিবদু শুনি চামনি, মমায় মমিৎ তাগনি ফাওবা খঙজদ্রবনি। নোং হেক ঙানবগা মানা য়ূমদগী অদুম থোকখিবা ইমুংগী মীনা উনহৌদ্রবনি। ম শ ম মনা ইফা ফাগনি, শ্বর মনম ইচেন হেক চেল্লদনা ঙাঙন-শানবা ইয়া য়াদনা অদুম লৈরবনি। চাক ঈশিংফাওবা চাগনি থক্কনি খঙদ্রবা মীশকনি। মসি করিগী মপালননো হায়বদা মাগী য়ু হায়রিবা পোৎশক অসিননি।

মাগী নুপী রাসিতোম্বীনসু মপুরোইববু ৱারকপা ঙম্বা নত্তে, মাবু শিহন্নীংবনা খ্রো খ্রো খোৎলবনি হায়বদু য়ৌরবনি। মানা অসুম হায়না য়ু থক্লিবা অসিবু মশাদা করি নুংঙাইবা, করি কান্নবগীনো অসিনি নৈনবা য়ারিবা অসি। হন্দক ঐ য়ু থক্লুবদগী য়াম্না কান্নজরে হায়দনা ইরকপা আর্টিকল অমত্তা পাউচেদা উজদ্রি। চাকখাও শোক্লেগা, লিভর য়াদ্রেগা, হোস্পিটালদা ৱাখল মাঙলগা লৈরেগা, লম্বীদা-লমজাওদা তাদুনা লৈরেগা, মী ফুনরুরেগা, য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মী শিরেগা, য়ু থক্লগা নুপী অঙাংদা কারল তারুরেগা, য়ু থক্লগা ঈশিংদা তাদুনা শিরেগা, অসিদগী হেনবা ৱাদি অমত্তা হেক তাদে। করিগীনো অসুক য়াম্না পাম্না থক্লুরিবসে মরম অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। হেনজিন্না থকপা থক্তবা, ৱাৎনা থকপা থক্তবনা ৱাফম অমনি। মসি থক্লগা মীওইবদা কান্নবা পীবা অসি চাং য়াম্না ৱাংলল্লোই। মসিবু ইচম চম্বা মী অমনা তরাই তরাই হেক্তা শীজিন্নবা, থকপা য়াবা পোৎলা অসিবো? ইমুং পুরিবা ইমুংগী থৌদাং মকোক্তা পুরগা চৎলিবা মী অমনা তরাই তরাই তজোপ তজোপ কন্ট্রোল তৌদবীদা পংথক থকপা য়াবা পোৎ অমরা মসিবো? মখল মখলগী ৱাহং হংনীংবা ফাওই। অফাও অফাওবা মী কয়া য়ুনা লৈখা তাহনখিবা কয়ানি। মমিং পঞ্জররোই আর্টিকল অসি অরেম্বদা পংশাং শাংদোকখ্রনি। অমরোমদা মীনা হংলকপা অমুক য়াই য়ু থক্তবা নখোয়দি লৈখা শুক্তা হেক তাদ্রবরা, য়ু থক্তবা নখোয়না করি করি অফ অফবা পুথোক্লবগে, তৌরবগে? মসিমসু কোন্না অমুক নৈনমিন্নসি। নৈনবদা পকচবা ৱাফমনি।

য়ু থকপা ময়ামদগী চহী অমদা ক্রোর ৬০০ খোমগৎপা ঙমগদৌরি। হায়ফেৎ য়াম্বা শেনফমনি। চহী অমা য়ু থকপা লেপ্পরগা লুপা ক্রোর ৬০০ খাইগৎনরগা থবক ফংদবা নহাশিংগী থবক পীনবা হোৎনবা, ঈশিং পীবীদবদগী এগ্রিকলচর তৌবা য়াদ্রিবা লৌফম ময়ামদা ঈথৈ লৌখোং পীনবা হোৎনবা, নহাশিংগীদমক শিনফম কয়া পায়খৎনবা হোৎনবীবা য়াই। য়ুদা মাঙহল্লিবা ক্রোর ময়াম অসি অফবরোমদা শীজিন্নবা তারবদি মণিপুর অসি শ্বর্গমুক নুংঙাইবা লমদম অমা ওইরম্বা য়াই। হোই, শ্বর্গবুদি উজদ্রিকো। ঐখোয়না খনজিল্লুবদা নৎত্রগা খঙদবনা ওইবা য়াই, মণিপুর শাথীনা লায়রবা লৈবাক মচা অমনি। নুংঙাইহনবদসু পংলু লুগদবদি মান্দে।

য়ুনা লিভর শোক্তুনা মী অমা শিরবদি শেল, মতম মাঙহনবা মী অমা শিখিদুনা লৈহৌরিবা ইমুং অদু য়াইফরবনি। মানা মতম, শেল, পূক্লিং ৱাখল মাঙহনগদবা ময়ামদগী কল্লবনি। লিভর অমা পৎচখিবদি অরাইবনি, য়ুনা ইমুং নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা কোক অমদি ৱাখল কয়া মাঙহল্লি। মসি থক্লুরগা মীবু শাথীবা মী অমা ওইহল্লি অমদি কারন তাবা মী অমা ওইহল্লি। হকচাং শোকপা শোক্তবনা অথকপা মাগীনি অমদি থক্তবা য়াওনা ৱাহল্লি অদুনা য়ু অসে খরা ফজনা থিংবনা ফৈ খল্লি। ঐখোয় হৌজিক ইচা ইশু ৱারকপা ঙম্বা নত্তে। লৈবাক্লা খরা ৱারকপা ফৈ। য়ুগী মহুত্তা অয়ূক্তা শঙ্গোম থকপা ওইনা লাইচুহনবা ফৈ। য়ু থকপা মী অমা লৈবনা ইমুং অদু কয়াম ৱাই খঙবীয়ু। ●

## হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ খেরাই # ৩৬০

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মীওইবনা য়াম্না কিনবা পাম্বীশিংগী মনুংদা খেরাই হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসি হেক থেংলুবদা অমদি শোক্লুবদা মীওই অদুগী মশা অদু মরেং-মরেং চত্তুনা য়াম্না হাক্কচবা অদুগা হেঞ্জিনখ্রগনা মথা-মথা পোমখৎতুনা উনশা অদু ঙাংবগা লোয়ননা ফুগ্রী থুংলগা মতোন অদু নাই চাহল্লকপা ফাওবা ঙম্মী। খেরাই পাম্বী অসি ইংলিসতা জপানিজ ৱেক্স (Japanese wax) নৎত্রগা জপানিজ লেক্কর ত্রী (Japanese lacquer tree) নৎত্রগা জপানিজ তেল্লো ত্রী (Japanese tallow tree) নৎত্রগা পোইজন আইভি (Poison ivy) নৎত্রগা পোইজন শুমেক (Poison sumac) নৎত্রগা ৱাইল্ড ভর্নিস ত্রী (Wild varnish tree), হিন্দিদা মোম কা পের (Mom ka ped) নৎত্রগা তান্ত্রি (Tantri), সংস্কৃততা কালিঙ্গা (Kalinga) নৎত্রগা কুলিরা (Kulira), বর্ম্মিজদা পায়োং (Hpayaungg), চাইনিজদা লা সু য়ে কি (La shu ye qi), নেপালিদা বৌখিমলো (Bhaukimallo), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা টোক্সিকোদেন্দ্রোন সক্সিদেনিয়ম (Toxicodendson succedaneum (L.) Kuntze) নৎত্রগা রস সক্সিদেনিয়া (Rhus succedanea L.) নৎত্রগা রস ফ্রেক্সিনিফোলিয়া (Rhus fraxinifolia Salisb.) হায়না কৌই অমসুং এনাকার্দিয়েসী (Anacardiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - হৈনৌ পাম্বী (মেঞ্জিফেরা ইন্দিকা - Mangifera indica L.), কাজু নৎত্রগা কাঞ্জ (এনাকার্দিয়ম ওসিদেন্টেল - (Anacardium Occidentale L.), হৈমাং পাম্বী (রস সেমিএলাতা - Rhus semialata Murry.) অসিনচিংবনি।



খেরাই হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১৫ ফাওবা ৱাংবা অপীকপা নৎত্রগা ময়ায় ওইরপ্পা চাওবা মতম পূম্নমক্তা মনা অদু শংদুনতা লৈবা হায়বদি এভরগ্রীন (Evergreen) ওইবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু কম্পাউন্দ লিফ (Compound leaf) হায়বদি মনা অমদা নায়াৎ (leaflets) কয়ামরুম মায়োক্লুনা পাল্লি অমসুং মনা অদু শউনগুম্না থা-থা লাওই। মনাশিং অদু পাম্বীগী অমদি মশাগী মতোন্দা অয়াম্বা পানগল্লি। ঙৌরুনবা নৎত্রগা হঙ্গাম মপান চঙলপ তৌবা অপীকপা লৈশিং অদু সেন্টিমিটর ৮-১২ শাংবা মখোক্তা চবুন ওইনা জুলাই থাদা শাৎকল্লি অদুগা মহৈ অদুনা মিলিমিটর ৫দগী ১১ ফাওবা চাওদুনা কোয়পাক্লে।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না খেরাই পাম্বী অসি এসিয়াগী মফমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিএটনাম, চাইনা, টাইৱান, জপান অমসুং মলেসিয়াদগী হৌরকখিবনি। খেরাই পাম্বী অসি হিমালয়গী অয়াম্বা মফমশিং ভুটান, টিবেট, বাংলাদেশ, মোঙ্গোলিয়া, কম্বোদিয়া, কোরিয়া অমসুং লাওসতসু মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌবগী পাউদমসু লৈ। Kubitzki না কুমজা ২০০১দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না খেরাই পাম্বী অসি ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, খা অফ্রিকা, ব্রাজিল অমসুং ক্যুবাদা পুদুনা থাখিবদগী ঙসিদি পাম্বী অসি মফমশিং অদুদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌখ্রে। অৱাং নোংপোক্কী অয়াম্বা মফমশিংদা খেরাই পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌবগুম ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু হৌই। পাম্বী অসি মণিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিং, অনেম্বা চীং অমসুং চীংখোং-চীংয়াশিংদা অদুমক হৌবা থেংনৈ।

লিন (Lin) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৮৯দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না খেরাই পাম্বীদা হিনোকিফ্লেভোন (Hinokiflavone) হায়রিবা হু চেনবা বাইফ্লেভোনোইদ (Biflavonoid) অসি য়াওই। খেরাই পাম্বীদা য়াওবা মোম (wax) মানবা পোৎশক অসিদা চাদা ১০দগী ১৫ ফাওবা পালমিতিন (Palmitin), ওলিন (Olein) অমসুং ষ্টিয়েরিন (Stearin) অসি য়াওই। য়াম্না লিরবা অনা-লায়েং খরদা খেরাই পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। সিনহ (Sinha) না কুমজা ১৯৯৬তা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না খেরাই পাম্বীগী অকংবা মহৈ অদু পীজবদা মীওইবগী কিদনি অমসুং ঈশিং মরীদা নূঙ লৈবা অদু মচেৎ-মচেৎ থুগাইদুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা পুথহনখিবা ঙম্মী হায়বসিনি। খেরাই পাম্বীগী অকংবা মহৈ অদু তকখায়রগা অফবা ঈশিংদা পুং ৩-৪দং তিংলগা চুমথোক্লবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা চাবা তুমদবা অদুদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। হায়রিবা মহী অদু পীথকপনা লিভরসু মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। পাউদম অদুনা মখা তারদুনা খেরাই পাম্বীগী মনা অদু ইথানোল হায়রিবা য়ু মখল অদুদা শুগায়রগা লৌবা মহী অদু কেন্সর অমসুং ভাইরস মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই। হরা-কংখু তৌবদা খেরাই পাম্বীগী অকংবা মহৈ অদু কূপ্পা তকখায়রগা খোইহিগা তোৎলগা শেম্বা গুলি (Tablet) অদু ঈশিং অশাবগা নোংমদা অহুম্লক পীজনৈ।

খেরাই পাম্বী অসি অতোপ্পা হীরম কয়ামরুমদসু শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি খেরাই পাম্বীগী মনা অমসুং মহৈ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা কোক লুজথোকপদা শম অদু মুশুক মুনা অমদি মপূং ফানা হৌহনবা ঙম্মী হায়না শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। ভিয়েটনামদদি খেরাই পাম্বীগী মখোম অদু মখল কয়াগী লাইশিং (পেন্টিং) য়েকপদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা অসি জপান্দসু শীজিন্নৈ। জপানদদি মোমবতি শাবদা খেরাই পাম্বীগী মহৈদগী লৌবা গম অদু শীজিন্নৈ। মরম অসিদগীনি খেরাই পাম্বী অসি জপানিজ ৱেক্স প্লান্ট হায়না কৌনরিবসি। পোৎশক কয়ামরুম মচু শংবা য়াবা হঙ্গাম মপাল মচুগী কলর হায়বদি দাই (Dye) অমা খেরাই পাম্বীগী উদগী শুংদুনা শীজিন্নৈ। খেরাই পাম্বীগী মোম অদু মায়তৈ অমদি অকে-অমৌগী হীদাক হায়বদি পোৎথোকশিং শাবদসু শীজিন্নৈ। ●